**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 10-12-2024)**

**ডে(এল)ঃ** মালেমগী মীওইবগী হক কনবা নুমিৎ ঙসি পাঙথোকখি। কুমসি চহীগী হীরমনা মীপুম খুদিংমক চপ মান্নবা-খেৎনবা হন্থহনবা অমসুং মীওইবগী হকপু হেন্না খুমাং চাউশিনহনবা হায়বসিনি।

মণিপুরদসু তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা শিন্দুনা নুমিৎ পালন থৌরম অসি পাঙথোকখি।

সিভিল সোসাইতিজ কোলিসন ওন হ্যুমেন রাইটস ইন মনিপুর এন্দ য়ুনাইতেদ নেসন মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোতেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসনা শিন্দুনা নুমিৎ অসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা মনিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী চেয়ারপার্সন-প্রদিপ কৈশামনা হায়-শান্তি পুরকবা হোৎনবদা অচুম্বা ৱায়েল লৈহনবা চংই। অচুম্বা ৱায়েল লৈহন্নবগীদমক মীপুম খুদিংমক্কী হক ঙাকপা হায়বসি য়াममক তঙাইফদে। মীওইবগী হক ঙাকপা অমদি হৌজিক ইরাংনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেন্নরিবা মীওই লিশিং ৬০ রোম অসি মশা মশাগী ময়ুমদা হনজিলহন্নবা হোৎনবা হায়বসি সরকারগী মথৌনি। মখোয়বু মশাগী ময়ুমদা হনজিলহন্নবা ঙম্লবা মতমদা নুমিৎ অসি পাঙথোকপগী অশেংবা ৱাহন্থোক ওইগনি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ লো অমসুং সেন্তর ফোর হ্যুমেন রাইটস এন্দ দ্যুতিজ ইদ্যুকেসননা শিন্দুনা ঐখোয়গী হক, ঐখোয়গী তুংগী লন্বী হৌজিকমক হায়বসিদা সেন্টর অসিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখি।

নুমিৎ অসি য়ুনাইটেদ মীতৈ পাঙল কমিতি মনিপুরনা শিনদুনা থৌবাল জিলাগী লিলোং বজারদা লৈবা জামে মসজিদতা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা য়ু.এম.পি.সিগী লিগেল এদভাইজর ওইরিবা এদভোকেট-এম.দি. জাকির

হুইসেননা থৌরম অসি পাঙথোকপগী মতাংদা মরিক চুম্বা ৱাফম মীয়মাদা থমখি।

পালন থৌরম অসি উখ্রুল জিলাগী দি.আর.দি.এ. হোলদসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা হ্যুমেন রাইটস এক্তিভিষ্ট-লুইঙম লুইথুইনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি। মনিপুর ষ্টেট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতিনসু শিনদুনা নুমিৎ অসি লমফেল কোর্ট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখি।

নুমিৎ অসিগা মরি নৈনা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা নিউ দিল্লিগী বিগ্যান ভবনদা ৱা ঙাংবদা হায়-মীপুম খুদিংমক্কী ইকায় খুমবা অমদি হক ঙাক্কদবা থোং মান্নবা দিজিটেল ইনভাইরোনমেন্ট অমা থম্বগী তঙাইফদবা লৈ। মহাকা হায়-সাইভর ক্রাইম অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ অনি অসি মীওইবগী হক্তা শিংনবা অমা ওইরক্লি। দিজিটেল ইরা হায়বসি অহোংবা নাই, অদুম্মকপু মসিনা মীয়ামদা লান্না পাউ শন্দোকপা, মীঙোন্দা নমথাক তৌবনচিংবা থৌদোক কয়া থোকহল্লি। মহাক া মখা তানা হায়-লৈবাক অসিনা ঙসিদি নহাশিংদা থোং মান্নবা খুদোংচাবা পীবা, লাইরবা লৈহন্দনবা থৌশিল থৌরাং কয়া পায়খৎপা ঙম্বা লৈবাক অমা ওইরে।

নেসনেল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এন.ঐচ.আর.সি)না শিনবা থৌরম অসিদা 'মেন্তেল ৱেলবিয়িং-নেভিগেতিং স্ত্রেস ফ্রোম ক্লাস রুম টু ৱার্ক প্লেস' হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা নেসনেল কনফরেন্স অমশু পাঙথোকখি।

**রেল্লি (এল)ঃ** মণিপুরদগী আর্ম ফোর্সেস স্পিসিএল পৱর্রস এক্ট (অফস্পা) লৌথোকউ অমসুং রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ঈরাং অসিগী ৱারোইশিন অথুবদা পুরকউ হায়বা দাবীদা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন ৫ না শিনদুনা ঙসি মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে।

ওল মনিপুর য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো), পোইরৈ লৈমরোল অপুনবা মৈরা পায়বী, ওল মণিপুর ৱিমেন ভোলূনটরি এসোসিএসন, কম্মিতি ওন হ্যুমেন রাইটস অমসুং মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসননা শিন্দুনা পাঙথোখিবা রেল্লি অসি ইম্ফালগী থাংমৈবন্দদা লৈবা থাও গ্রাউন্দদগী হৌরগা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লোয়শিনখি। মফম অদুদা মীয়ামগী ওইবা

মীফম অমা পাঙথোক্তুনা তোঙান তোঙানবা লুপশিংগী লুচিংবশিংনা ৱা ঙাংখি।

**আইএলপি(এল)ঃ** সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন (কংলৈপাক) না শিনদুনা মনিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিট (আই.এল.পি) চৎনবা হৌখিবগী মঙারক শুবা নীংশিং কুমওন থৌরম অমা ঙসি ইম্ফালদা লৈবা ইপসাগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ইন্টরনেসনেল পিছ এন্দ সোসিএল এদভান্সমেন্ট, পান্দম, অকোমলুপ, ইপাক, কে.এস.এ., কংলামৈ, কংলৈ ইমা লুপ, সি.এল.কে, ই.আর.দি.ও, অক্সিল, নিকল অমদি ষ্ট্রগ্লীং ৱিমেন এসোসিয়েসননচিংবগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা আই.এল.পিগী ইহৌদা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**এৱার্ড(এল)ঃ** অকাশবানি ইম্ফালগী ন্যুজ রিদরসু ওইরিবী ইম্ফাল রিভিয়ু ওফ আর্টস এন্দ পোলিটিক্সকী পাউমী ডা: ক্ষেত্রিময়ুম চিত্রাভানুদা কল্যান বারুৱা এৱার্ড-২০২৪ পীনবা খল্লক্লে। মাই হোম ইন্দিয়া অমসুং নোর্থ ইষ্ট মেদিয়া ফোরম অনিনা চহি খুদিংগী লান্থোকপা এৱার্ড অসিগী দিজিটেল মেদিকেল কেটেগোরিদা মহাকপু মনা অসি পীনবা খল্লকপনি।

**নুপীলাল(এল)ঃ** মনিপুরদা নুপী লাল নুমিৎ নীংশিং থৌরম পাঙথোকবা মপুং ফানা শেম শাবা লোয়রে।

থৌরম অসি রাজ্য সরকারনা শিনদুনা ইম্ফালগী নুপী লাল কমপ্লেক্স অমসুং জি.পি. ৱিমেন্স কলেজগী সেন্ট্রেল হোলদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা অথোইবা মীথুং অমসুং ইরেংবম নলিনি-এম.এল.এনা থৌরম মপু ওইগনি। থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা নুপী লাল মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা ঐতিহাসিক ওইরবা নুপী লানদা থৱায় কৎথোকখ্রবা নুপীশিংগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎকনি।

অমরেমাদা, ইম্ফালগী নুপী লাল কমপ্লেক্স অমসুং জে.পি. ৱিমেন্স কলেজগী সেন্ত্রেল হোলদা থা অসিগী ১২ দা পাঙথোক্কদবা নুপী লাল নুমিৎকা মরী লৈননা গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈরগনি।

ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ৱিং-মনিপুরগী এস.পি-প্রমেস অরাংম্বমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ইম্ফাল ইষ্টরোমদগী জেনরেল পোষ্ট ওফিস তমা লাকপা গাড়িশিং মোইরাংখোমলোমদা চৎকনি। শিংজমৈদগী লাকপা গাড়িশিংনা মোইরাংখোমদগী হাইজিল্লগা কৈশামথোংলোমদা চৎকনি। থৌরম পাঙথোকফমদা মতম মতমগী ওইনা গাড়ি চংথোক চংশিনদা অহোংবা লৈগনি। অদুমওইনমক, ইসেন্সিএল সার্ভিস গাড়িশিংগী ওহনদি থৈদোক থৈজিন লৈরোই হায়রি।

**ইরাবত(এল)**ঃ লময়ানবা ইরাবতকী মীতম অমা ঙসি অসামগী হোজাই নন্দপুর মীতৈ খুলদা মায়খুম হাংদোকখ্রে। মীতম অসি পেত্রিওটিক রাইটরস ফোরম মনিপুর অমসুং অসামগী হোজাইদা লৈবা মনিপুরি ৱিমেন লিটরেরি এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন অনিনা শেন্থংগা লোয়ননা খিনবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মীতম মায়খুম হাংদোকপগী থৌরম অদুদা ফোরম অসিগী প্রসিদেন্ট-নাউরোইবম খম্বা লুৱাং, পি.এ.ডব্লিয়ু. এফ. ত্রিপুরা ব্রান্সকী এদভাইজর-ডা: ক্ষেত্রিময়ুম মধাবিনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**ভেক্সিনেসন(এল)**ঃ নোনে জিলাগী লোংমাই ভিলেজতা, ২১ শুবা লাইফ স্তোক সেন্সস চথুখিবগা লোয়ননা শা-ষনদা নাগনবা লায়নাশিংদগী ঙাকথোকবা হিদাক কাপথোকখ্রে।

মদু নোনে ভেটিরিনারি হোস্পিতাল অমসুং মোবাইল ভেটিরিনারি য়ুনিটকা খুৎশমদুনা পাঙথোকপনি।

**রিলিজঃ** লৈবাক অসিগী খুঙ্গংশিং লু-নান্না থমবগী পান্দমদা কেন্দ্রগী রুরেল

দিবলপমেন্ট মন্ত্রালয়না স্বাচ ভারত মীসন গ্রামিনগী ওইনা চহি অসিগী নবেম্বর থা ফাওবদা কেন্দ্রনা লুপা কোতি লিশিং ১,৮৬৯ কায়থোকখ্রে।

লোক সভাদা ঙসি ইদুনা পীবা পাউখুম অমদা মন্ত্রালয়না হায়-শেনফমশিং অদু তোঙান তোঙানবা টোইলেটকী ওইবা পোৎলমশিং লৈবদা শিজিন্নবনি। মসিগী মনুংদা স্কুল অমসুং অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিংদা টোইলেট শাবা অমসুং মীয়ামগী ওইবা সেনিটরি কমপ্লেক্স শেমগৎপা য়াওরি।

**মীফম ঃ** কেন্দ্রগী এগ্রীকলচর এন্দ ফামরস ৱেলফিয়ার মন্ত্রি-রামনাথ ঠাকুরনা হায়রি-মনিপুরগী শান্তি রক্সাগী ফিভমনা মরম ওইদুনা অৱা অনা নংলবা মীয়ামগী তেংবাং ওইনা কেন্দ্র সরকারনা মমাং চহিগী আগষ্ট থাদা লুপা কোতি ২০৯ মনিপুর সরকারদা পীখ্রে। মসিদা ইরাং অসিনা শোকহল্লবা লৌমীশিংগী তেংবাং ওইনা লুপা কোতি ৩৮ লাখ ৬০ য়াওরি।

ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিকী এম.পি. ডা: অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা লোক সভাদা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মন্ত্রিনা হায়-হৌজিক ফাওবদা মনিপুর সরকারনা হায়জরকপদগী লুপা কোতি ৩১ লাখ ৬৭ অমগসু পীখ্রে। মন্ত্রিনা মখা তানা হায়-লৌউ শিংউ হায়বসি ষ্টেট সবজেক্টনি। অদুমওইনমক, লৌমীশিংগী শেন্থোক হেনগৎহন্নবা অমদি লৌউ শিংউগী সেক্তর অসিগী দরকার ওইবশিং অদু য়েংলগা কেন্দ্র সরকারনা তোঙান তোঙানবা থৌশিল থৌরাংশিং পায়খৎলি। হায়রিবা থৌশিল থৌরাংশিং অসি মনিপুর য়াওনা রাজ্য খুদিংমক্তা চৎনরি।

**রাজ্য সভাঃ** রাজ্য সভাগী থবক থৌরমদা মীচং মীখায় নাইবা থৌওং চখৈ হায়বগী ৱাহৈদা বিরোধি দলশিংনা সভাগী চেয়ারমেনগী মথক্তা থাজদবগী মোসন থাংগৎখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা কংগ্রেস এম.পি. জয়রাম রামশেনা হায়-থাজদবগী মোসন থাংগৎপা অদুগী নোটিশ অদু রাজ্য সভাগী

সেক্রেটরি জেনরেলদা পীশিনখ্রে। থাজদবগী মোসন থাংগৎপা অদুদা ইন্দিয়া ব্লোক্তা য়াওরিবা তোঙান তোঙানবা দলশিংনা থাংগৎখিবনি।

**জিতেন্দ্রঃ** কেন্দ্রগী মন্ত্রি-জিতেন্দ্র সিংহনা হায়রি-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা লৈবাক অসিনা হৌখিবা চহি তরা অসি লৈঙাক সাসনদা পুকচেল শেংনা অমদি মীয়ামগী কান্নগদবা হীরম কয়াদা থবক তৌবা ঙমলে।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা সেন্ত্রেল ইনর্ফোমেসন কমিসনগী ১৬ শুবা চহিগী মীফমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী জিতেন্দ্রনা হায়-ইং ২০১৮ ফাওবদা কেন্দ্রগী ওফিসশিংগী থবক থৌরমশিংগী চাদা ৮০ হেন্না ওন লাইন মেট ওস্থোক্লে। আর.টি.আইগী খুত্থাংদা লাকপা ৱাকৎশিং নীংথিনা অমসুং নিয়ম চুমা পীদুনা মীয়ামগী থাজবগী চাং হেনগৎহনবা ঙমলে। মসি লৈঙাক সাসনদা পুকচেল শেংনা তৌবদগীনসু মন্ত্রিনা মখা তাখি।

**হেকাথোনঃ** ৭শুবা স্মার্ট ইন্দিয়া হেকাথোন হয়েংদগী হৌরগনি।

কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধাননা ভরচুয়েল ওইনা থৌরম অদু হৌদোক্কনি। থৌরম অসি লৈবাক অসিগী সেন্তর ৫১ দা পাঙথোক্কনি।

ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ টেকোলোজি (আই.আই.টি)জম্মুনা হেকাথোন ২০২৪ অসিগী গ্রান্দ ফিনালি পাঙথোকবা শেম শারি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং লৈবাক অসিগী নহা ওইরিবা ইন্নোভেতরশিংদা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা ৱারি শান্নরগনি। পনবা য়াবদি, স্মার্ট ইন্দিয়া হেকাথোনগী অহানবা ইদিসন ইং ২০১৭তা মহারাষ্ট্রগী পুনেদা হৌদোকখিবনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ, ঙাংবম অমুখোন্বাদগী

**বোল্লিবোল**ঃ উত্তর প্রদেসকী বরানাসি হিন্দু কলেজতা লৈবা এমফি ঠিয়েটর গ্রাউন্দদা ঙসিদগী হৌখিবা ৬৮ শুবা নেসনেল স্কুল গেমসকী ঙসি শান্নখিবা বোল্লিবোলগী পুল (এ) গী মেটচতা মনিপুরনা অসামবু পাঞ্জল ২৫-১২, ২৫, ২৩, ২৫-১৮ অমসুং ২৫-১৬ তা থোইখ্রে। হয়েং অনিশুবা মেটচতা মনিপুরগা সি.বি.এস.ইগা শান্নগনি। থা অসিগী ১৩ দনা মনিপুরগা উত্তর প্রদেসকা শান্নগনি।

**ফেন্সিং**ঃ থাইলেন্দা পাঙথোক্কদবা এফ.আই.ই. ফোইল ৱার্ল্ড কপতা শরুক য়াগদবা ভারতকী ফেন্সিং টিমদা য়াওগদবা মনিপুরদগী ফেন্সিং শান্নরোই অহুম, কোর্স অমা ফেন্সিং ইন্দিয়ানা খল্লক্লে।

ভারতকী টিম অসিদা ফেন্সিং শান্নরোই-টি. মঙাললৈবী, এস. হামেস, কে. অভিনাস, ও. দিনেস শরুক য়াগনি। অদুগা ডব্লিয়ু. ইবোমচানা কোর্স ওইনা শরুক য়াগনি।

**বেদমিন্টনঃ** উরিষ্যা মাস্তর বেদমিন্টন ২০২৪ গী ঙসি অয়ুক শান্নখিবা নুপাগী ক্বালিফাইয়িং রাউন্দদা ভারতকী শান্নরোই মানপ চৌধুরিনা য়ুনাইটেদ অরাব ইমরেটকী মহামদ মুনাৱারবু পোইন্ট ২১-১৬, ২১-১২ দা থোইখ্রে।

**হোক্কীঃ** ওমানগী মুস্কেটদা চৎথরিবা হোক্কী জ্নিয়র ৱিমেন্স এসিয়া কপ ২০২৪গী শান্নখিবা মেটচতা ভারতনা মালেসিয়াবু পাঞ্জল ৫-০দা মাইথিবা পীখ্রে।

অনিশুবা পুল এগী মেটচ অসিদা ভারতকী দিপিকানা পাঞ্জল ৩, বৈষ্ণবি ফালকে অমসুং কানিকা সিৱাটচনা পাঞ্জল ১-১ চনখিবনি। হয়েং নুমিদাং ৮ মখায়দা ভারত অমসুং চাইনা মথংগী পুল এগী মেটচ অমদা থেংনগনি।